### ফিফা য়ু-১৭ ৱিমেন্স ৱর্ল্ড কপ

## নবি মুম্বাইদা ফাইনেল, গ্রুপ লীগনা ভুবনেশ্বরদা শান্নরগনি




ন্যু দেল্লী, জুন ১৫ (এজেন্সী): ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা অন্দর-১৭ ৱিমেন্স ৱর্ল্ড কপকী ফাইনেল মেটচ ওক্টোবর ৩০দা নবি মুম্বাইগী দি ৱাই পটিল ষ্টেদিয়মদা শান্নরগনি অদুগা সেমীফাইনেল মেটচশিংনা গোৱাদা শান্নরগনি হায়না ফিফা অমদি লোকল ওর্গনাইজিং কম্মিটি (এল ও সী)না য়ুমশকৈশা নুমিৎতা লাউথোকখ্রে।

গ্রুপ ষ্টেজ অহুমগী মেটচশিংনা ওক্টোবর ১১ দগী হৌদুনা ভুবনেশ্বরদা পাঙথোল্লগনি। গেমস অসিগী ওফিসল দ্রোনা থা অসিগী ২৪দা ওৎলগনি।

গ্রুপ ষ্টেজকী গেম ২৪গী মেটচশিংনা তোঙান-তোঙানবা ষ্টেট অহুম ওরিষ্যা, গোৱা অমদি মহারাষ্ট্রদা শান্নদুনা ওক্টোবর ১৮দা লোইশিনগনি।

মতুং তারকপা ক্বার্টর ফাইনেল রাউন্দগী গেমশিংনা ওক্টোবর ২১ অমদি ২২দা শান্নরগনি। সেমীফাইনেল মেটচ অনীনা ওক্টোবর ২৬তা শান্নরগনি।

গ্রুপ ষ্টেজ অহুমগী গেমসশিং ওক্টোবর ১১, ১৪ অমদি ১৭তা ভুবনেশ্বরগী কলিঙ্গ ষ্টেদিয়মদা শান্নরগনি অদুগা ক্বার্টর ফাইনেলগী গেম মরিনা নবি মুম্বাইগী দি ৱাই পটিল ষ্টেদিয়ম অমদি ফটোর্দাগী পন্দিত জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা শান্নরগনি।

এল ও সীগী প্রোজেক্ট দিরেক্টর অনী- অনকুশ অরোরা অমদি নন্দিনি অরোরা অনীনা পূন্না থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোল্লদুনা নুপীগী ফুটবোলবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবগী পান্দমদা মতেং তৌবীরকপগীদমক ফিফা, য়ূম্বু ওইরিবা ষ্টেটশিং অমদি তোঙান-তোঙানবা ষ্টেকহোল্ডর খূদিংমকপুসু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

### এম এন সী এ এলিট

## ব্লু হোকনা এস সী সী সী শীংজমৈ মায়থীবা পীখ্রে




ইম্ফাল, জুন ১৫ (ঐচ এন এস): মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসননা শীন্দুনা চথরিবা ৬শুবা এম এন সী এ দল্লিয়ু প্রহ্লাদ অমদি দল্লিয়ু রমানন্দ এলিট টুর্নামেন্টকী ঙসি লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা গ্রুপ বিগী মেটচ অমদা ব্লু হোক খুরাই লম্লোংনা এস সী সী সী শীংজমৈ থোঙাম লৈকাইবু রন ৬তা মায়থীবা পীখ্রে।

ব্লু হোক খুরাইনা পূন্না মেটচ ৫ শান্নখিবদা মেটচ ৪ মায় পাক্লগা অমনা মায়থীদুনা পোইন্ট ৮ ফংলগা গ্রুপ বিগী টেবলগী মকোক্তা লৈরি।

এস সী সী সী শীংজমৈনা পূন্না মেটচ ৩ শান্নখিবদা অহুম্মক মায়থীদুনা পোইন্ট অমত্তা ফংদনা টেবলগী ইরোয় লোইবা মফমদা লৈরি। সাইক্লোন থাংমৈবন্দ অমদি অল-অমিন লিলোংনা পোইন্ট ৬/৬ ফংলগা নেটরন রেটতা ২শুবা অমদি ৩শুবা মফমদা লৈরি।

ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ব্লু হোক খুরাইনা টোস ঙমদুনা অহানবা বেটিং তৌবদা ওভর ৩৪দা ৱিকেট লোইনা তুদুনা রন ১০৭ লৌবা ঙমখি। অদুবু অনীশুবা ইন্নিংসকী শান্নবদা দি এল এস মেথদ শীজিন্নদুনা ওভর ১৮দা হন্থরগা টার্গেটনা রন ৫৪ ওইখি।

অনীশুবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌখিবা শীংজমৈগী বেটসমেনশিংনা অপীবা ওভর ১৮দা ৱিকেট ৪ তুরগা অপীবা টার্গেট য়ৌবা ঙমদনা রন ৪৭ লৌদুনা খুরাই টিমগী মখূৎতা রন ৬তা মায়থীখিবনি।

অহানবা ইন্নিংসকী ব্লু হোককী বেটিংদা খুরাইগী বেটসমেন অমোম গুনিরামনা বোল ৭১দা রন ৪২, ওপনর ৱাকম্বম সেমসননা বোল ৪৬তা রন ২৬, নিংঙোম্বম জে কিচান্দ অমদি নোংথোম্বম অজিৎনা বোল ২২ অমদি ১৬তা চপ মান্নবা রন ৭/৭ লৌবা ঙমখি।

অহানবা ইন্নিংসতা শীংজমৈগী বোলর লিশন মৈতৈ খাইদেমনা ওভর ৮ লংবদা ৱিকেট ৪, সন্দিপ চক্রবোর্টিনা ওভর ৫ লংবদা ৱিকেট ২ অদুগা রাকেশ্বর রিপব্লিক হিদংময়ুমনা ওভর ৮ লংবদা ৱিকেট ২ লৌবা ঙমখি।

মদুগী পাউখুমদা অনীশুবা ইন্নিংসতা বেটিং তৌখিবা শীংজমৈগী বেটসমেন উলেনয়াই খ্বাইরাকপমনা বোল ১৯দা চপ মান্নবা রন ১৯, সন্দিপ চক্রবোর্টিনা বোল ২৭তা রন ৫, রোহিট মোইরাংথেমনা বোল ৩৫দা রন ১২ লৌবা ঙমখি।

ইন্নিংস অদুদা ব্লু হোককী বোলর জিতেন্দ্র ভিশাল থাকুরনা ওভর ৫ লংবদা ৱিকেট ২ অদুগা ৱাকম্বম সেমসননা ওভর ৬ অমদি মুতুম প্রিতমনা ওভর ২ লংবদা ৱিকেট অমমম্ লৌবা ঙমখিবনি।

লোইশিল্লকপদা ব্লু হোক খুরাইগী অমোম গুনিরামনা অহানবা ইন্নিংসকী বেটিং তৌবদা বোল ৭১দা রন ৪২ লৌদুনা মেন ওফ দি মেটচকী মনা ফংবা ঙমখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা রাশিকুমার অমদি থোকচোম হেরোজিৎনা অম্পায়র ওইনা শরুক য়াখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা শগোলশেন নুমিৎতা গ্রুপ এগী টিদ্দিম রোদ এথলেটিক্স য়ুনিয়ন (ট্রাও) ক্বাকৈথেল অমদি রেস খ্বাইনাগামপাল লামাবম লৈকাই অনীনা লম্বা তৌনরগনি।

### এসিয়া-ওসিনিয়া পেরা পাৱরলিফটিং

## পরমজিৎ, মনপ্রিটনা ব্রোঞ্জ লৌখ্রে





ন্যু দেল্লী, জুন ১৫ (এজেন্সী): সাউথ কোরিয়াগী পিয়োংতেকতা চথরিবা ২০২২ এসিয়া-ওসিনিয়া ওপন চেম্পিয়নশিপকী য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ইন্দিয়াগী পেরা পাৱরলিফটর পরমজিৎ কুমার অমদি মনপ্রিট কোরনা তোঙান-তোঙানবা কেটগোরিশিংদা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখ্রে।

মমাং চহী জিওর্জিয়াগী কোনুং তাবুলিসিদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপতা ব্রোঞ্জ মেদল ফংদুনা ইন্দিয়াগী অহানবা মেদল ফংবা ওন্থগী পুৱারী শেমখ্রবা কুমারনা নুপাগী কেজি ৪৯ কাঙলূপকী ওপন ফাইনেলদা মহাক্কী অহুমশুবা এটেম্পটদা কেজি ১৬৩ থাঙ্গৎতুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখিবনি।

মহাক্না মমাং চহী তাবুলিসিদা পাঙথোকখিবা চেম্পিয়নশিপতা কেজি ১৫৮ থাঙ্গৎখিবনি। কাঙলূপ অসিদা জোর্দানগী ওমার কারাদানা কেজি ১৭৫ থাঙ্গৎতুনা গোল্ড অদুগা ভিএটনামগী লে ভান কোংনা কেজি ১৭৩ থাঙ্গৎতুনা সিলভর মেদল ফংবা ঙমখিবনি।

অমরোমদা, মনপ্রিট কোরনা নুপীগী কেজি ৪১ কাঙলূপকী ফাইনেলদা ব্রোঞ্জ মেদল ফংদুনা ইন্দিয়ন কন্টিঞ্জেন্টকী অহানবা মেদল ফংবা ঙমখিবনি।

মহাক্না কাঙলূপ অসিদা কেজি ৮৮ থাঙ্গৎতুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখি। অদুগা টোকিও ২০২০ পেরালিম্পিককী গোল্ড অমদি সিলভর মেদলিষ্ট গুও লিংলিং অমদি নি নেনগাহ ৱিদিয়াসিনা কেজি ১১১ অমদি ৯৯ থাঙ্গৎতুনা কাঙলূপ অসিগী গোল্ড অমদি সিলভর মেদল ফংবা ঙমখিবনি।

পনবা য়াবদি, এসিয়ন পেরা গেমসকী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট মনপ্রিট কোরনা মমাং চহী তাবুলিসিদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপতা থমখিবা মহাক্কী খ্বাইদগী ফবা রেকোর্দ কেজি ৮১দগী হন্দক্কী পিয়োংতেকতা পাঙথোকপা চেম্পিয়নশিপ অসিদা কেজি ৭ হেন্না থাঙ্গৎতুনা হান্নদগী খুমাং চাওশিন্না থাঙ্গৎপা ঙমখিবনি।

### টি কে দল্লিয়ু এ ট্রোফি

## জি-৫ অমদি সনা এফ সী ফাইনেলদা থেংনরগনি



ইম্ফাল, জুন ১৫ (ঐচ এন এস): তেন্থা খোংবাল ৱেলফেয়র এসোসিএসননা শীন্দুনা তেন্থা মল্টিপ্লেক্স গ্রাউন্দদা চথরিবা টি কে দল্লিয়ু এ ট্রোফি ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমীফাইনেলদা জি-৫ হৈরোকনা এম ৱাই দি এ সঙ্গাইয়ুন্ফমবু ২-১দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

মায় পাকখ্রবা জি-৫ হৈরোকনা সনা এফ সী থৌবালগা থা অসিগী ১৯দা ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

জি-৫ হৈরোক অমদি এম ৱাই দি এ সঙ্গাইয়ুন্ফম অনীনা শান্নখিবা মেটচতা টিম অনীনা অহানবা হাফকী শান্নবদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো ওইখি।

হৈরোক্কী প্রেমজিৎনা শান্নবগী ৩১ শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। অদুগা রোশননা শান্নবগী ৪১ শুবা মিনটতা হৈরোক টিমগী মায় পাকপগী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি। সঙ্গাইয়ুন্ফম টিমগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা দয়ানন্দনা শান্নবগী ৪৫ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

মেটচ অসিদা রেফরি এ কে পুনেশ্বরনা হৈরোক্কী কবিরাজ অমদি সঙ্গাইয়ুন্ফমগী ৱিলিয়ম শান্নবগী ২০ অমদি ২৫ শুবা মিনটতা য়েলো কার্দ অমমম্ বুক তৌখি।

মেটচ অসিদা পি ঐচ জোটিন অমদি এস ঐচ রোবিনসননা এসিষ্টেন্ট রেফরি, এম দি লটিফ অলিনা ফোর্থ ওফিসল ওইনা শরুক য়াখি।

## ওলিম্পিয়ন শুশিলা ইন্সপেক্টর হাপখ্রে



ইম্ফাল, জুন ১৫ (ঐচ এন এস): ওলিম্পিয়ন শুশিলা লিকমাবমবু ফোর্মেলি ওইনা ঙসি মণিপুর পুলিসকী ইন্সপেক্টর হাপখ্রে।

শুশিলা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা হৈঙাং ময়াই লৈকাইদগী লিকমাবম মনিহার অমসুং লিকমাবম ওংবী চাওবীগী মচানুপীনি। মহাক কুমজা ২০২০দা টোকিওদা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক গেমসকী জুদো মশান্নদা মথন্তা ইন্দিয়া রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শরুক য়াখিবনি।

অমরোমদা, শুশিলানা ঙসি ইন্সপেক্টর হাপখিবা অসিদা মায়কৈ কয়াদগী নুংঙাইবা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা মহাকপু ষ্টেট অসিখক নৎতনা লৈবাক্কী চাওথোকচনিংঙাইনি হায়না ফোঙদোরক্নরক্লি।

### অন্সম মার্টিয়র্স ট্রোফি ফুটবোল হৌদোকখ্রে

## এ এল টিনা জেদ এস ও এমবু অহৌবা মেটচতা থোইখ্রে



ইম্ফাল, জুন ১৫ (ঐচ এন এস): ওল নাগা ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন মণিপুর (অন্সম)না নাগা ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন চান্দেল অমদি দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন চান্দেল অনীগা খূৎশম্ননা শীন্দুনা অহানবা অন্সম মার্টিয়র্স ট্রোফি ফুটবোল টুর্নামেন্ট ঙসি চান্দেল খৃষ্টিয়ন স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লোক সভাগী এম পি ডা. লোরহো এস ফোজেনা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা হৌদোকখিবগা লোয়ননা অনাল লেলরুল তাংপী (এ এল টি)না জেমে ষ্টুদেন্টস ওগর্নাইজেসন মণিপুর (জেদ এস ও এম)বু লাকচনা অহৌবা মেটচতা ৬-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

এ এল টিগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু এস আর কাগালিনা শান্নবগী ২১ অমদি ৫৪ শুবা মিনট অমসুং টি এস নিক্কিনা শান্নবগী ২৬ অমদি ৩৭ শুবা মিনটতা গোল ২/২ অদুগা সিংভাল অমদি ঐচ বি ওলিভরনা শান্নবগী ১৬ অমদি ২৮ শুবা মিনটতা গোল অমমম্ চনবা ঙমখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেটচতা পাওমাই নাগা সিদৌমাই মিনা মরিং ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নবু ৫-২দা মায়থীবা পীখ্রে।

পাওমাই টিমগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু চিনাখোনা ২ অদুগা দারি, দালে অমদি কার্লোসনা অমমম্ চনখি। মরিং টিমগী গোল ২ অদুনা লৈরুং অমদি অংদুননা চনখিবনি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা লিয়াংমাই নাগানা তরাও ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নবু ৩-১দা মায়থীবা পীখ্রে। লভসননা লিয়াংমাই টিমগী গোল অহুম্মক চনবা ঙমখি অদুগা তরাওগী গোল অদুনা লিয়াংমাইগী মাইসুৱাং তোংবোনা আউন গোল অমা চনশিন্দুনা ওইবা ঙমখিবনি।

## অম্ফানা ওফিসল ১৫ খনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৫ (ঐচ এন এস): য়ূঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস মণিপুরনা শীন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট ইন্টর স্কুল সুব্রোটো মুখর্জী ফুটবোল টুর্নামেন্টকী নুপামচাগী চহী ১৪ অমদি ১৭ মখাগী থা অসিগী ২১দগীনা ২৭ ফাওবা অমদি নুপীমচাগী চহী ১৭ মখাগী জুলাই ৬তগী ১১ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী কন্দক্ট তৌনবা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা ওফিসল ১৫ খনখ্রে।

খনগৎলবা ওফিসলশিং অদুদি মেটচ কম্মিস্নরদা এল ইবোহল (য়ু-১৭) অমদি থারচুং চারা (য়ু-১৪)নি। রেফরিশিং অদুনা কে ঐচ রঞ্জিৎ, টি হেমন্ত, ৱাই ইঙোবী, দিঙ্কু অতোম, এস ঐচ ইবোমচা, এম ননাও, এল থাংনাসিং, এল ননাও, দি জেম্পু, রিনসো জাজো, সী ঐচ শ্যামসন, রিগান অমদি লভজোয় হাওরামনি।

খনগৎলবা রেফরিশিংনা মখোয়গী পোষ্টিংগী অকুপ্পা মরোলশিং খঙনবা মেটচ কম্মিস্নর এল ইবোহলদা মোবাইল নম্বর ৮৯৭৪৬৯৭১৭৩ নৎত্রগা ৯৩৬৬৫৫৯১৮৪ দা পাউ ফাওরক্নুনা রিপোর্ট তৌরনবা খঙহল্লক্লি।

## শান্নরোয় ৩ ট্রান্সফরগী এপ্লাই তৌরকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৫ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী সিজন ২০২২-২৩গী ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ট্রান্সফর অমদি লোনগী ওইনা ঙসি শান্নরোয় ৩না এপ্লাই তৌরকখ্রে।

শান্নরোয়শিং অদুদি ইম্ফাল ইষ্টকী এস এস সীগী লুখ্রাম বিজেন অমদি য়ু এস এগী কোন্থৌজম স্পেন অমসুং ৱাইখোম সাইলেশনি। মখোয় অহুম্মক ইম্ফাল ৱেষ্টকী দি এম রাওদা ট্রান্সফর লাকখিবনি।

শান্নরোয় অহুম অসিগী তুংদা অয়েৎ-অপন লাক্তনবা মরী লৈনবা ক্লবনা সী আর এসকী খুথাংদা ট্রান্সফর অমদি লোন পাঙথোক্লুবা অম্ফানা খঙহল্লক্লি।

অমরোমদা, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন (আই ঈ দি এফ এ)গী সিজন ২০২২-২৩গী ওইনা ঙসি শান্নরোয় ৫না ইন্টর ক্লব ট্রান্সফর অমদি লোন এপ্লাই তৌরকখ্রে।

শান্নরোয়শিং অদুদি ঈ এস য়ুগী কায়েনপাইবম অঞ্জু চনু, চোনমায়া মহোংনাও, থৌদাম মঙ্গোলঙানবী, অথোকপম কাজল অমদি এ এম এম এগী অশৈবম রোশনী চনুনি। মখোয় মঙামক ৱাই দল্লিয়ু সী (টি ঐচ)তা ট্রান্সফর লাকখিবনি।

### ইন্দোনেসিয়া ওপন

## লক্ষ্য সেন প্রনোয়গী মখূৎতা ২শুবা রাউন্দদা মায়থীখ্রে

জকর্টা, জুন ১৫ (এজেন্সী): ৱর্ল্ড নম্বর ৮ লক্ষ্য সেননা মহাক্কী ফেলো কন্ত্রিমেন ঐচ এস প্রনোয়গী মখূৎতা ইন্দোনেসিয়া ওপনগী ঙসি শান্নখিবা সেকেন্দ রাউন্দ মেটচতা মায়থীবা নংখ্রে।

মেন্স সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী পুংখায় অমা হেন্না চঙনা শান্নখিবা মেটচ অদুদা সেননা প্রনোয়গী মখূৎতা ১০-২১, ৯-২১দা মায়থীখিবনি।

চহী ২০ শুরবা সেননা চহী অসিদা মহাক্কী অহানবা ওইনা সুপর ৫০০ টাইটল লৌবা ঙমখিবগা লোয়ননা লেমজনিংঙাই ওইরবা ওল ইংলেন্দ ওপনগী ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি। মহাক হন্দক্তা ইন্দিয়াগী নুপা টিমদা পুৱারী ওইহৌরগদবা থোমাস কপকী টাইটল লৌখিবা অদুদা শরুক য়াখিবা শান্নরোয়নি।

অমরোমদা, য়াম্না নুংঙাইবা অমনা প্রনোয়না ঙসি ফাওবদা সেনগা হেদ-টু-হেদ অহুম্লক থেংনখিবদা ঙসি মায় পাকপা অসিনা অহানবনি।

সেননা মেটচ অসিগী হৌরকপদা ৩-৬তা লীদ তৌদুনা চৎখি অদুবু চহী ২৯ শুরবা প্রনোয়না তপ্পা তানখৎলক্নুনা ২১-১০দা অহানবা গেমদা সেনবু মায়থীবা পীখিবনি।

ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অনীনা মখা তানা অনীশুবা গেমগী শান্নবদা প্রনোয়না খূদুম চন্না শান্নবগা লোয়ননা ১১-৩দা লীদ তৌদুনা চৎখি। অদুবু সেননা তানখৎনবা কন্না হোৎনরবসু তানখৎলকপা ঙমদবদগী প্রনোয়গী মখূৎতা ষ্ট্রেট সেটতা মায়থীদুনা টুর্নামেন্ট অসিদগী মপান থোকখিবনি।

### ৪শুবা সঙাই ট্রোফি ফুটবোল

## এফ সী ইম্ফালনা টি বি এস এফ এ থোইদুনা ফাইনেল চঙখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৫ (ঐচ এন এস): য়ুনাইটেদ ভেটরান ফুটবোল এসোসিএসন মণিপুরনা শীন্দুনা চথরিবা ৪শুবা সঙাই ট্রোফি ভেটরান ফুটবোল চেম্পিয়নশিপকী ঙসি খুমন লম্পাক আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা অহানবা সেমীফাইনেল মেটচতা এফ সী ইম্ফাল ময়াইকোইবীনা টি বি এস এফ এ এফ সী তাওবুংখোকপু ১-০দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা টিম অনীনা লম্বা মান্ননা শান্নদুনা গোল চন্নবা ঙম্নদনা লাকখি। অহানবা হাফ লোইরমদাই এফ সী ইম্ফালগী এম কিরননা শান্নবগী ২৮ শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি।

মখা তানা অনীশুবা হাফকী শান্নবদা টিম অনীনা অপীবা মতম লোইবা ফাওবদা গোল হাপচিনবা ঙম্নদবদগী এফ সী ইম্ফালনা তাওবুংখোক টিমবু ১-০দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।


টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা শগোলশেন নুমিৎতা অনীশুবা সেমীফাইনেলদা য়ু ভি এস এ লিলোং চজিং অমদি এস ভি এ খোংজোম সর্কল অনীনা নুংথিল পুং ৩দা লম্বা তৌনরগনি।

CAS Centre for Advanced Studies
No.1 in Manipur
CAS Main Building, 2nd floor Keishampat Junction Imphal
ADMISSION OPEN
2ND BATCH
FOUNDATION COURSES
CLASS XII (Physics, Chemistry, Maths, Biology & Eng.)
CLASS XI (Physics, Chemistry, Maths, Biology & Eng.)
CLASS X (Physics, Chemistry, Maths, Biology & Eng.)
Seats are Limited
First Come First Served
Special features:
• Special Concession for all Students.
• Experienced and Expert Faculties.
• Exam. Oriented Chapterwise Study Materials.
• Weekly and Monthly Test Series.
• Targeted Suggestion for Final Exam. by Experts.
• Vision for toppers in 2023
Classes Commencing from 16th June, 2022
Morning Batch (4.00- 7.00) A.M.
Evening Batch (4.30- 7.30) P.M.
For Details contact:- CAS Office, Centre for Advanced Studies Keishampat Junction, Imphal.
Hostel for BOYS & GIRLS Available
HL-B/7610/8-22

G SPOKEN ENGLISH
Govt. Regd. No. 2102
GLOBAL SPOKEN ENGLISH & DOT COM COMPUTER
Better Education, Better Life
Come and Join at anytime
YOUR KNOWLEDGE IS THE WAY TO YOUR SUCCESS
ADMISSION IS GOING ON FOR 2022
English Course Details (Sir Tejkumar)
Grammer | Vocabulary | Pronunciation | Listening | Interview Skills | Daily Conversation | Personality De-
New Classes are going on come and join at anytime, Special For Students, college students, house wives, employees, teachers, Seniors, etc.
Plz. Viz. GLOBAL SPOKEN ENGLISH & DOT COM COMPUTER Paona Bazar, Gourahari Market 2nd Floor, Behind Polo Ground, Near Hotel Khristina between 10 am. to 3 pm.
Or Plz Contact:- 8132904426, 9089825142 Or Whatsapp on :- 9089825142
Follow us On Facebook - facebook.com/globalspokenanddotcom/
HL-B/7634/21/5-8/7 (alt)

PENSION/ PERSONAL LOAN AVAILABLE
State Govt. / Central Govt. কী Pensioner অমসুং Service তৌবীরিবা মীওইশিংগী ওইনা Pension Loan অমসুং Service Loan খুদোংচাবা ফংবীগনি।
Thoubal, Kakching, Nambol, Moirang অমসুং Samurou নচিংবা মফমশিংদসু ফংবীগনি।
EMPLOYMENT NEWS
Thoubal, Kakching, Moirang, Nambol, Sekmai, Samurou অমসুং Imphal Branch কী ওইনা Office Asst. 2/2, Gr - V, 2 Wheeler Mechanic, Car Wash Helper 2/2 পামজৈ।
Sd/- M.M. Singh
L.G. Motors Building, Khagempalli,
Imphal West # 9774495994
HL-B/7613/22/5,6-18(alt)

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 485**

**Sebastian Pozzo - Andreas Persson**
**World Youth Championships Spa, 2001**

| | |
|---|---|
| 1.e4 e5 | 2.Nf3 d6 |
| 3.Nc3 Nf6 | 4.d4 Nbd7 |
| 5.Bc4 h6 | 6.O-O Be7 |
| 7.Qe2 O-O | 8.Rd1 exd4 |
| 9.Nxd4 Re8 | 10. ... |

**QUESTION :**
White to win

**Puzzle 484 Ans. :**
46. ...Qg1+ 47. Kxf4 Qg5# Dovetail mate
0-1

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com